# মিজোরাম গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অদুদা চাবা ফংদবগী প্রোব্লেম থোকহন্দনবা উচি মশিং হেনগৎলকপা থিংনবা হোৎনরি



আইজোল, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি): মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুং চন্না লৈরিবা খুঙ্গং ১০০ হেনবগী মথক্তা থাবা মহৈ মরোংশিং মরুওইনা ফৌ থারিবা লৌবুকশিংদা উচিনা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মতুং মখা তানা মহৈ মরোং থাবা লৌবুকশিংদা উচিনা অমাঙ অতা থোকহন্দনবা অমদি উচি মশিং কা হেন্না হেনগৎলক্লিবা অদু থিংনবগীদমক গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর জেমস লালসিয়ামলিয়ানানা ফোঙদোকখিবদা মিজোরামদা দিষ্ট্রিক্ট ১১ দা লৈবা মহৈ মরোং মরুওইনা ফৌ থাবা লৌফম লম হেক্টর ৫৭২ রোম উচিনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। চহী অসিগী ওগষ্ট থাদগী হৌরগা ষ্টেট অসিদা উচিগী মশিং কা হেন্না হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা অমাঙ অতা থোকহনবা হৌরকখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুন্না খুঙ্গং ১১৪ দা মশিং য়াম্লবা উচিনা চৈথেং পীবা হৌখ্রে। ত্রিপুরাগা থংননা লৈরিবা মমিৎ দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি লৌফম অয়াম্বা মপুঙ ফানা মাঙহনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লৌমী কয়া অৱাবা মায়োক্লরে। গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী লৌমীশিংদা উচি হাৎনবা হিদাকশিং য়েন্থোক্তুনা হোৎনরবসু কা হেন্না কান্নবা ফংবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা চহী অসিগী ওইনা ষ্টেট অসিদা চাক তাংবা থোক্লগদ্রা হায়না মীয়াম মীপাইনরে হায়রি।

অমরোমদা মিজোরাম গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী উচি মশিং হেনগৎলক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা উচিনা কা হেন্না শোকহল্লবা মফমশিংদা চত্তুনা উচি হাৎপা অমদি মখা তানা লৌমীশিংদা হু য়েন্থোকপগী থবকসু চথরি। লৌমীশিংনসু মশা মশাগী লৌবুক্তা অহিং য়ারেক্লদুনা উচি মখুনশিং থিদুনা উচি হাৎপা অমদি উচি মশিং য়াম্না লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মকফমশিং মৈ থাবগী থবক পাক্তক্ল না চথরি হায়রি। পনবা য়াবদি মিজোরামদা ৱা মপান শাবা হৌরকপগী মতম নকশিল্লকপনা মরম ওইরগা উচি মশিং হেনগৎলকখিবনি হায়না থাজনরি।



অরুনাচল প্রদেশকী গভর্নর ওইনা থৌ পুরিবা রিটয়র্দ ব্রিগেদিয়র বি দি বিস্রাবু অহেনবা চার্জ ওইনা মেঘালয়াগী গভর্নর ওইনা থৌ পুনবা চার্জ লৌখিবা

## ইলেক্সন মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা ঈ সী আইনা শেম শাবগী থবক চথবা হৌখ্রে



গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ত্রিপুরা, নাগালেন্দ অমসুং মেঘালয়াগী মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা অয়েৎপা লৈহন্দনবা অমদি মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা ষ্টেট অহুমগী ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা ইলেক্সন ওফিসতগী ফংবা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না, হৌজিক ফাওবগী ওইনা পোল পেনেলশিংনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন ৫০০০ রোম থাবা হৌখ্রে। হায়দরবাদতা বেজ তৌবা ইলেক্ট্রোনিক কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদনা শাবা ই ভি এমশিং অসি অচৌবা ট্রক ১৫ দা হাপ্তুনা থাখিবনি। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী মীহুৎশিংসু ই ভি এম থাখিবা অদুদা লোয়নখি। ই ভি এম ইন্সটোল তৌবা মতমদা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংসু য়াওগনি। মসিনা পার্টি মশেলগী মরক্তা চিংনবগী চাং হন্থহনগনি। অমরোমদা ষ্টেট অহুমদা থাখ্রবা ই ভি এম মেছিনশিং অদু শিজিন্নবদা খুদোংচানবগীদমক ট্রেনিং তৌবগী থবকসু অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

অমরোমদা নাগালেন্দ চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী ওইনা ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্সন মেনেজমেন্টকী মীহুৎশিং লাক্তুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা দিপ্যুটি কম্মিস্নরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি। মখা তানা দি সীশিং অমদি দি ঈ ওশিংনা ট্রেনিং পীবগী থবক চথগনি হায়রি।

## চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা মেদিকেল কোলেজ শানবগীদমক উরেপ উয়ুং তমখ্রে

শিল্লোং, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি): মেঘালয়াগী রি-ভোই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৯-মাইলদা ঙসি পি এ সংমা মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল শানবগীদমক চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা উরেপ উয়ুং তমখ্রে হায়রি।

উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ানা মনিং মখা তম্লকপা চহী ৭৫ মপুঙ ফাবগী থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিদা য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্ট এন্দ টেক্নোলেজি শানবগীদমক উরেপ উয়ুং তমখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা হোস্পিটাল অমসুং মেদিকেল কোলেজ অসি শানবা অমুক উরেপ উয়ুং তমখিবনি। উরেপ উয়ুং তমদুনা শাবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রবা প্রোজেক্টশিং অসি অথুবা মতমদা শাবা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু শেম শাবগী থবক চথরিবা অসিদা য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌরি। লৈবাক অসিদা নীং খা তম্লকখিবা চহী ৭৫ মপুঙ ফাখিবা অসিগা লোয়ননা মহাক্কী অপোকপা পি এ সংমাগীসু মপোক থা তারি। মসিনা মরম ওইরগা নৌনা শাগদৌরিবা মেদিকেল কোলেজ অমদি হোস্পিটাল অসি মহাক্কী অপোকপগী মিংদা শাবনি। মসিনা ষ্টেট অসিগী মীওই কয়াদা খুদোংচাবা কয়া পীবগা লোয়ননা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চত্তুনা মেদিকেল তম্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লরিবা অদুসু খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

## চহী নৌরিবী নুপীমচা গেং রেপ তৌবদা চেন্নবা মীওই অহুম পুলিসনা ফারে

গোলপারা, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি): অসামগী গোলপারা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমদা নম্ফুদা গেং রেপ তৌবদা চেন্নবা মীওই অহুম ফারে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল ওইবা পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, থৌদোক অসি থা অসিগী ১গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা এজিয়া পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা গাধরবোরি এরিয়াদা থোকখিবনি। নুমিৎ অসিদা ভিক্টিম ওইরিবী মশাগী চহী ১৫ রোম শুরবী নুপীমচা অসি স্কুলদগী ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা চেন্নরিবা মীওই অহুম অসিনা ফারবা মতুং মনাক নক্লা লৈবা উমং অমদা পুশিন্দুনা গেং রেপ তৌখিবনি। থৌদোক অদুদা নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা নুপীমচা অদুবু মখোয় অহুম্না কন্না ফুব্বদগী ৱাখল মাঙদুনা লৈরম্বা মীয়াম্না থেংনরকপদগী হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখি। ফারবা মীওই অহুম অদু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

## জে এন্দ কেগী দি জি মশক খঙদবা মীওই খরনা হাৎলম্লে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি): জম্মু অমসুং কাস্মিরদা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (প্রিজন) ওইনা লৈবা অসামদগী হেমন্ত কুমার লোহিয়া মশক খঙদবা মীওই খরনা হাত্তোক্তুনা থনম্লে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থা অসিগী ৩ দা জম্মু সিটিগী উদয়ৱালা এরিয়াদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা দি জি পি (প্রিজন) কুমার লোহিয়াবু মশক খঙদবা মীওই খরনা হাত্তোক্তুনা থল্লম্বনি। অদুবু মশাগী চহী ৫৭ রোম শুরবা পুলিস ওফিসর অসি মহাক্কী ময়ুমদা থবক শুনবা লৈবা য়ারিস অহমদ (২৩) না হাৎপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মীশি অসিগী মতাংদা জে এন্দ কে পুলিসনা অখন্নবা কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওই ফাদুনা মরালগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়না এদিস্নেল দি জি পি মুকেস সিংহনা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা জে এন্দ কে পুলিস ফেমিলিনা মহাক্লা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## চয়েৎনরিবা মফমশিংদা অসাম পুলিসনা লৈফম শাজিল্লে হায়না মিজোরাম পুলিসনা মরাল শিরক্লি



আইজোল, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি): অসাম অমসুং মিজোরাম ষ্টেট অনীগী মরক্তা মতম শাংনা ঙমখৈগী মতাংদা চয়েৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লিবা অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনদুনা ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা ৱারী শান্নরিঙৈ মরক অসিদা অসাম পুলিসনা চয়েৎনরিবা ঙমখৈগী শরুক খরদা মতম খরগী ওইনা লৈনবা শঙশিং শাজিনবা হৌরক্লে হায়না মিজোরাম পুলিসনা মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা অসাম পুলিসকী থৌওং অসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিজোরাম পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবশিং লোয়শিন্নবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা অসাম পুলিসনা চথরক্লিবা কা হেনবা থৌওং অসিনা চাওনা অকায়বা পীহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। ঙমখৈগী মতাংদা ঙমখৈ মনাক নক্লা খুন্দাদুনা লৈরিবা ষ্টেট অনীগী মীওইশিং উংখৎনরকপদগী মীশি মীনাগী থৌদোক ফাওবা থোকখ্রবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোকহন্দনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়রি।

মিজোরামগী কোলাসিব দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ভানলাফকা রালটেনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিজোরাম অমসুং অসাম অনীগী মরক্তা কিলোমিটর ১৬৪.৬ শাংবা শরুক তাইনদুনা লৈরি। মমাং চহীদা ষ্টেট অনীগী মরক্তা লমগী ৱাহৌগা মরী লৈননা উংখৎনরকপদগী ভাইওলেন্স য়াওরক্তুনা মীওই ৭ শিখি। মদুগী মতুং চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা ৱারী শান্নবা হৌখিবনি। মরক অসিদা অসাম পুলিসনা চয়েৎনরিবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা ৱানা শাবা মতম খরগী ওইনা লৈনবা শঙ অনী শাজিল্লম্বা থেংনখিবনি। অদুবু মিজোরাম গভর্নমেন্টনা থৌওং অদুগী মতাংদা রিয়েক্ট তৌখ্রবা মতুং অসাম পুলিসনা শঙ অনী অদু থুগায়খিবনি হায়রি।

## CROSSWORD-3664



**ACROSS**

1 Plot (10)
7 Organised group of devotees (3,4) 7
8 Pound (4)
10 Frozen sweets (4)
11 Final (8)
13 Reply (6)
15 Consume (6)
17 Instances (8)
18 Fair (4)
21 Uninteresting (4)
22 Spare time (7)
23 Heavy projectile (10)

**DOWN**

1 Small boat (5)
2 Invalid, not binding (4)
3 Small smooth rounded rock(6)
4 Needed (8)
5 Large city in Illinois (7)
6 Boer (9)
9 Rued (9)
12 Airship (8)
14 Broad-bladed kitchen implement (7)
16 German capital (6)
19 Customary (5)
20 Former Italian currency (4)

Solution 3663



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4064

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 1 | | | | |
| | 5 | 6 | | 8 | | | 7 | 1 |
| 9 | | 1 | | | 7 | | | 3 |
| 3 | | | | | 8 | | | |
| | 1 | | | | | | 2 | |
| | | | 6 | | | | | 9 |
| 1 | | | 5 | | | 3 | | 4 |
| 7 | 3 | | | 2 | | 1 | 6 | |
| | | | | 9 | | | | |

## Solution-4063

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 6 | 1 | 5 | 3 | 8 | 7 | 9 | 2 |
| 3 | 7 | 2 | 9 | 4 | 6 | 1 | 5 | 8 |
| 9 | 8 | 5 | 1 | 2 | 7 | 4 | 3 | 6 |
| 5 | 4 | 7 | 8 | 1 | 2 | 9 | 6 | 3 |
| 1 | 3 | 9 | 4 | 6 | 5 | 8 | 2 | 7 |
| 8 | 2 | 6 | 3 | 7 | 9 | 5 | 1 | 4 |
| 7 | 5 | 3 | 2 | 8 | 1 | 6 | 4 | 9 |
| 6 | 9 | 4 | 7 | 5 | 3 | 2 | 8 | 1 |
| 2 | 1 | 8 | 6 | 9 | 4 | 3 | 7 | 5 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### MINISTRY OF YOUTH AFFAIRS & SPORTS RECRUITMENT 2022 FOR VICE CHANCELLOR

Ministry of Youth Affairs & Sports Vice Chancellor Recruitment 2022: Advertisement for the post of Vice Chancellor in Ministry of Youth Affairs & Sports. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 07 October 2022. Candidates can check the latest Ministry of Youth Affairs & Sports Recruitment 2022 Vice Chancellor Vacancy 2022 details and apply online at the yas.nic.in/ recruitment 2022 page.
Ministry of Youth Affairs & Sports Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ yas.nic.in/. Ministry of Youth Affairs & Sports selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Delhi. More details of yas.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Ministry of Youth Affairs and Sports Govt. of India
invites applications for recruitment of Vice Chancellor
Vice Chancellor
Job Location:
-, Imphal, - Manipur
Last Date: 07 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: Various Post Posts
Ministry of Youth Affairs and Sports Govt. of India
Ministry of Youth Affairs and Sports Govt. of India Recruitment 2022 Details
Company Ministry of Youth Affairs & Sports
Job Role Vice Chancellor
Education Requirement
Total Vacancy Various Post
Job Locations Imphal
Experience Fresher
Last Date To Apply 07-10-2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Vice Chancellor in Ministry of Youth Affairs and Sports Govt. of India.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for Ministry of Youth Affairs and Sports Govt. of India Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of Ministry of Youth Affairs and Sports Govt. of India - yas.nic.in
Step 2: Here look for the Ministry of Youth Affairs and Sports Govt. of India Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 29 September 2022
Last date for application is: 07 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### HIGH COURT OF MANIPUR RECRUITMENT 2022 FOR LIBRARY ASSISTANT

High Court of Manipur Library Assistant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Library Assistant in High Court of Manipur. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 04 November 2022. Candidates can check the latest High Court of Manipur Recruitment 2022 Library Assistant Vacancy 2022 details and apply online at the recruitment 2022 page.
High Court of Manipur Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ . High Court of Manipur selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
High Court of Manipur
invites applications for recruitment of Library Assistant
Library Assistant
Job Location:
At Mantripukhri, Imphal, 795002 Manipur
Last Date: 04 November 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Company High Court of Manipur
Job Role Library Assistant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Imphal
Experience Fresher
Salary 25500 - 81100(Per Month)
Posted on 30 Sep, 2022
Last Date To Apply 04-11-2022
Educational Qualification: Diploma
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 25500 - 81100(Per Month)
Age Limit:38 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Library Assistant in High Court of Manipur.
How to Apply:
Candidates must apply for High Court of Manipur Recruitment 2022 before 04/11/2022 The procedure to apply for the High Court of Manipur Recruitment 2022 is stated below also check the application link here.
Step 1: Visit High Court of Manipur official website hcmimphal.nic.in
Step 2: Search for High Court of Manipur Recruitment 2022 notification
Step 3: Read all the details in the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application and apply for the High Court of Manipur Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 01 October 2022
Last date for application is: 04 November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম




